লৈতেং শৈথারোল

(খম্বা থোইবীগী বারীদা হাপৈক্‌দবা)

নিংঙোম্বম ইবোবী সিংহ।

শিংজমৈ ওক্রম লৈকাই, ইম্ফাল।

লৈতেং শৈথারোল

(খম্বা থোইবীগী ৱারীদা হাপকদবা)

নিংথৌজম ইবোবী সিংহ।

শিংজমৈ ওক্রম লৈকাই, ইম্ফাল।

অমল লুপা ৫'০০

কোংজবী :—

কুমারী সনসম বীতা দেবী, শিংজমৈ।

[illegible] খুনম
জুন [illegible]।

[illegible] মশিং ৫০০।

স্বত্ত পুম্বা অইবগীনি।

লাইরিক নম্ফম— সোল প্রেস, শিংজমৈ।

অইবনা হায়জবা

মালেমগী সাহিত্য জগৎতা লেংত্রবা মিংচৎকী উরোং থিম-লবা "ইলিয়দ অমদি ওদিসি" মমিং অনিমক উত্রবা গ্রীক লৈপাক্কী লৈরম্বা হোমার কৌবা মীপা অমনা ইরম্বনি। হোমার গ্রীককি থাইনাগী সহর "খিবিস" কোনুংগী মথোংদা মুংতি মুমিৎ থুদিংগী ফমদুনা ঈশৈ শক্তুনা অচৎ অওকশিংদগী ভিক্ষা নিবনা মহাক্কী হিংনবগী লম্বীনি। মহাক্কা মহাক্কী নিংথিবা খেস্থে শী শুরলয় তাল্লাদা অমদি ফজবা রাবৈশী পরিংদা মতমগী অকল অথৌশিংগী মতিক মঙ্গল কয়াবু শৈথাদুনা শকপনা অতাবা মীওই কয়াগী পুক্লিং চিংশিনবা ঙম্লম্মী তাবদা মুংঙাইহনখি। মতৌ অম্মা হোমারনা অকল অথৌশিংগী মতিক মঙ্গনবু রারীগী পরিং অমদা শেমগৎখি অমদি গ্রীককি লোন্দা মপা লৈতনা ফজরবা লাইরিক "ইলিয়দ অমদি ওদিসি" ওইখি।

অদুগুমদুনা মনিপুরগী খম্বা থোইবীগী শৈশক অসিসু লাই-রিক ওইনা লৈরম্বা নত্তে চৈজিং লেম্বশিংগী চিম্বাল তোরৈশিংদতা লৈরম্বনি, মথোয়না অস্থুম অস্থুম শক্তুনা লাকপনি। শৈশক অসিবু শকপা হেক হৌদোকখিবদি চৈজিংলেম্বা ওঙা চনম্বা পেনা খোংবনি। হায়নবা লৈ মনিপুরেশ্বর মহারাজ চন্দ্রকীর্ত্তি K.C.S.I.না জিলা দরবার লেংবা মতমদা মতম খরা জিলাদা ফাইদুনা লৈখি, মতম অদুদা মহারাজ সনা পুক্লিং রাম্না ওলাংখি মথল মথেলগী কুম্মে কয়া। তোত্থমসু মহারাজগী সনা পুক্লিং টংথবা ঙমখিদে। মমৈদা চনম্বা পেনা খোংবনা ঙসিগী মনিপুরদা ফাওরবা খম্বা থোইবীগী রাবীবু পেনা চৈজিংদা পান্দুনা শকখি।

খম্বা থোইবীগী প্রেমিক প্রেমিকাগী রস অমদি পেনা চৈজিং- লেম্বা ওজাগী ফজবা লোলগী লৈথেৎ অমদি মুংশিবা খোম্থোক্লা শ্রীযুৎকী ওল্লাংলব পুক্লিংবু ইংখহনখি। মতুংদা পেনা শকপা হায়বা কলাগী স্কুল্লিং অমা ওইনা লৈথ্রে।

স্বর্গীয় শ্রী হিজম অঙাংহল সিংহ "সাহিত্য রত্ন" না "খম্বা থোইবী শৈরেং" হায়না লাইরিক ওইনা পুথোকপিরম্মে। লাইরিক অসিগী মথক্তা ঐনা অমুক্তা থিজিন খোমজিজ্জহনা "লৈতেং শৈথারোল" হায়না কৌবা লাইরিক অসি পুথোকচৈ। চন্দকী অসিনা অনিশুবা খুৎনমনি। শৈথারোল খরা অসিনা লোইবা নত্তে খম্ব থোইবীগী শৈথারোলগী অচৌবা সাহিত্যগী ভাণ্ডারবু ঐগুম্বনা লোইনা পুথোকপা ওম্বগী ইত্তিক নত্তে পেনা শকপা ওজাশিংগী চিম্বালদা ওন্থোক্লা য়াম্না লৈথ্রবনি।

লাইরিক অসি ইবদা তাম্নজখিবা ওজাশিং—

১। ওজা নিংথোম্বম ৺মেরা (মুঙ্গোই মেরা)

২। " উয়ান ৺ইবোমচা —উয় ন।

৩। অথৌম খোংনাং (রাংঙু খোংনাং) —রাংঙু।

৪। চোংথাম তোমচা —শিংজমৈ রাংমা।

৫। সাইখোম অচৌ সিংহ —শিংজমৈ লৈশাংথেম লৈকাই।

৬। খুম্বোংময়ুম মঙ্গী সিংহ —শিংজমৈ রাংমা।

মমৈগী লৈ ময়ামগী, হৈময়ামগী শৈথারসিদি ঐগী রামায়ন শৈরেংদগী লোৎথোকচবনি।

তাং ১০।৬।৮২ ইং, ইরাই। —নিংথোম্বম ইবোবী।

অফোংবগী ৱারোল

ঐগী মাম নিংঙোম্বম ইবোবী সিংহগী শন্নপ্পা পুন্সিগী ৱারী :—

ইং কুমজা ১৯২১ গী এপ্রিল তাং ১৩গী য়ুমশকৈশা নুমিৎতা শ্রীনিংঙোম্বম ইবোবী সিংহ শিংজমৈ মখা ওক্রম লৈকাইদা পোকই। অপোকপগী মপিং তোমপিশক সিংহ, অপোকপীগী মিংনা থোংঙাম চনু অথোইবী দেবী কৌই। শ্রীসিংহ মতেংগত্তা পোকই, অরাবদি মশাগী চহি ৩ শুরকপদা লাই থোক্লুনা ওই থংবা মিং উথিদরে। লাইরিক তম্বা হৌবনা মশাগী চহি ৬ তগী নাওরেম লৈকাই এল, পি, স্কুলদা হৌখি। মতুংদা নিউ হায়স্কুল (হৌজিক্কী চুড়াচান্দ হায়স্কুল) দা ক্লাস VIII ফাওবা তমখি। মতুংদা ১৯৪৭ দা খুল্লাকপম এম, ই, স্কুলদা ওজা ওইখি। মমৈদা ১৯৫২ দা ওইনাম থিঙেল এল, পি, স্কুলগী হেড পণ্ডিত ওইখি, মথংদা স্কুল অসি জে, বি, স্কুল ওইরবদা মহাক্না হেড মাষ্টর ওইখি। ইং কুমজা ১৯৭৫ দা মিৎ উথিদহুনা স্কুলদগী পেন্থাখি। শ্রীসিংহ অঙাং ওইরিঙৈদগী থিয়েটরবু পামজবনা মশাগী চহি ১৭ শুবদগী থিয়েটর য়াওখি।

শ্রীসিংহগী থোইদোকপা থবক

১। ওজা ওইরিঙৈগী পুন্সিদা ষ্টেট এৱার্ড ফংখি। চিফ কমিসনার ৱাইনাগী মতমদা চিল্ড্রেন-ডে-দা মনা ফংখি।

২। সোসিয়েল ৱার্ক:— এল, পি, ওজাশিংগী অচৌবা সংস্থাল পি. টি, এ, (প্রাইমারি টিচর এসোসিয়েসন) গী জে: সে: অনিরক ওইখি।

৩। মণিপুর পুম্বগী সরকারগী কর্ম্মচারিশিংগী অমত্তা ডাইরবা সংস্থান এ, এম, জি, ই, ও, গী অহানবা প্রসিদেন্ট ওইখি।

৪। নহারোল সাহিত্য সভাগী ভাইস প্রেসিদেন্ট ওইখি।

৫। আইদিরেল ব্লাইন স্কুলগী ভাইস প্রেসিদেন্ট ওইখি।

৬। ষ্টেট কালা একাডেমি দিমাপু কমিটিগী মেম্বর, চৌং-ভম লুপতিন কমিটিগী মেম্বর ওইরম্মী।

৭। ফেলিসিটেসন প্রাইজ ফংখি, এম, পি, সি, সি, প্রেসিডেন্টনা পীবা।

৮। সাহিত্য বিশ্বরদ—মৈতৈ ময়েক খিজিনবা কাংলুপ্না শিনবা ফংসন কলাকার সম্মিলন্দা শিক্ষা মন্ত্রিনা পীবা।

৯। সাহিত্য ভুষণ— (মণিপুর সাহিত্য পরিষত্তকী উপাধি)

শ্রীসিংহনা মিং উরিবৈদা কোংখিবা লাইরিকশিং—মহাভারত, রামায়নচিংবা লাইরিক ১১ নি মিং উত্রবা মতুংদা রেডিও ড্রমা ১২ ইখরে। ড্রমাশিংতুগী মপুংদা ৬ তি ফোংলে। হৌজিক ঐহাক্না ফোংজরিবা "লৈতেং শৈথারোল" কৌবা লাইরিক অসি অনিশুবা খুনমনি। ঐগী মাগা অসিগী মতেং পাংজবা ওইনা পুথোকচবা খুনম্নি।

ফোংজরিবী :—

শ্রীসনসম বীতা দেবী।

শিংজমৈ মথা সনসম লৈকাই।

লৈরেং শৈথারোল

অহানবা পন্দুপ

পুনেম শৈরোল

মণিপুর

মণিপুর সনা লৈময়োল,
চীংনা কোইনা পনশাবা,
চীংমীনা কোইনা পনঙাকপা।
সনানা ময়ুং কারগা,
লুপানা মফেল ওইব লম,
মণিনা ফিজিল লোনগুম্বা।
মণিপুর কৌবা লমন্নুংশি,
চীংবুরোই-তম্বুরোই পাল্লিবা,
চীংদ চীংমীনা ইথন থন,
তমদা তম্মীনা ইচোন চোন।

খৈন য়ুং কাক মওংগুম
নোংপোক ভারত লমডান্নাই
চোন্ন-ফজবা লবাকন।
পোইরৈ নোংপোক চীংয়া দা
নোংমাই চীংশাং চীংথওা
চীংডু শিবনা ডানবরি।
শাওরৈ থানা শাংব লম
যমগী লংওন চংখোনবা
রাংবেন্না পংখৈ ডাকপা লম
অং .ক ক্রু অশুপ্পা
লৈ ইনাই খুন্দ অচংবা
চ রক মপান খিম্বা
নোংখৈপু মউ লিংবলম
খোংক্রুনা খুন্দা শেম্ব লম
থাগা রাংগা শাংব লম
তুশাং শিংনা খুন্দারি।
কেগে লোক্তাক রা ফুরেন
মোইরাং লোক্তাক ইরেনবুং
য়েনানা শৌদি শাব লম।
কম্বোং হাওনা মনানা,
নোম্না জগেই শাংনা
নোংমপোন তেমশিং-নরিদো।

কেগে লাইজ ভিগারম
মোইরাং শন্দেন ইরাইকোন
লোক্তাক মিংশেন ওইব লম।
মোইরাং থাংজিং চীংজাওনা
চীংয়া থেবোং উনাম তাম
ফিশাং কেনবী মণিপুর।
কংলা মেনগী মেনথক্তা
নোংদ্রেন লাইরেন পাখংবা
মৈতোন য়াদা চিক্কুনা
পোইরৈ কংলা কোনবিরি।

পুরেম্বা—

মোইরাংগী পুরেম্বা তোর্বুং কৈরেন মাপন ফাবা,
মপু মে ইরাং নিংথেংগী সনা য়েংথাং থোগনবা
মোইরাং তাংবন লেই ফমথোন মাপন কাবা,
কেগে পুরেনবা মোইরাং ভাইথোম্বা
নোংয়াই চাখাওম্বা থুমন পারেন হোংবা।

ঙাংখরৈমা—

ঙাংখরৈমা য়ুরেল তোমপোকপী
পোইদিং (চরোং) লমমিৎ চুম্বী।

থম্বা—

ইথম থমলে খম্বা পারেম্বগী মশু
পুরেম্বগী মচা ঙাংখরৈমা মমুংয়াই

থমনুগীদি মৌপুৱা মদোম পোকয়ে
খুমন তোমপোক, য়ুয়েনজম অথৌবা।

কৈরোইজাম্বা—

কৈরোইজাম্বা খুজুপ চৈময়াং
কৈনা পি, কৈনা লোই
মমিং কৈরোইজাম্বা কৌএ।

থমনু—

থুরাই রায়রমলকপা চন্নু;
মোইরাং কৈডুবী নিংথোন
কোনগী সনা পোনফেনবী
নিংথম চংবী হৈকনবী
পিকনা উল নংজবী থমনু।
শাবন্দা হোৎবা হুইড্রুগুম
মুরা তোমশাৎনরবী।

মোইরাং নিংথৌ—

লাইজিখু কেগে নিংথৌ পুরিৎলাই
মোইরাং নিংথৌ লৈকোই ম পুরেল।

মথং থনবা—

চিংথু উরা তেলহৈবা য়াংবা নহা পাঙ্গুম্বা
মোইরাংগী মথংথনবা চিংথুবা।

চাওবা—

লুদগী ডানপ লু, খাওদগী ডবোংখাও,

কংলা লুথুম তে ইরগা
শেল চংবা পোংথোনবা,
মরৌশিংনা ফম্নাইবা,
পেকংলা নোংথোনবা
পিকশল্লো চাওবা
চিংজিল ঈথোং ফাৎকনবা
লৌরোম্নবনিঙাই চাওবা
লৌখাফাক লৌচিনতুম
মপু শিবা লৌনি,
যোংবদি ঐঙোন্দা তাক্লকউ।
ঐগী মী ওইপ্রগা ফবা
মীগী মী ওইরগা মরুনা য়ুবা,
কেগে চাওবা নোংথোনবা।

নোংবান—

মোইরাং নোংবান কোংয়াম্বা
অঙোপানবা মপারী
কাইর তোপথা য়েংগুম্বা
কুমজিন ইহুন লৈগুম্বা
লৈক্রক লৈয়ারেন চম্পু
খুড়াই লৈমগীদি মপারী,
মবেম্না অঙোম শিজনি

কুপত্ৰেং শেল্ৰেং ময়ুম্নাক
অঙৌপানবা নোংবান।

থোংলেন—

কাকয়েন শুম্না অথৌবা
থুমন্দা লাল্লোই ভমথৈ লাকপা,
মোইরাং পাওয়োই হঞ্জবা,
শাদা লানদা-থৌবা
থৈরেল চিঙ্জৌনবা থোংলেন,
রাংথৈরাকপা অথৌবা
কেগেদা থাংশু হৈবা।

খাংজিং—

ময়ম লমলেন মদাইমা—
হায়নরিবা লমদমনি
শোন্নরিবা মাইকৈনি
কেগেনা চাওবা লমদমনি
মোইরাংনা শাংবা মাইকৈনি।
শকপদা লোইবা ঙৈভবা
থাবদা লোইবা নাইদবা—
লোক্তাকনা সুংশেল ওইদুনা
খাংজিংনা উকম ওইরিবা
থাঙ চিংলেন নিংথৌনা
শায়াগী মখুম ওইবিরে।

ইমুংবা লোক্তাক য়াংকুরেন
কোরেক ভরেৎ ঈশোক লম
নাদ মাপন ঈথাৱম
থমং খোং লৈকং খোং
কেগে হাওভক ভরুখোং
কেগে খোংশা ভৱেৎনি
মোইরাং খোংলম মাপন্নি।
ঙাংখলৈমা পুনম শোই
শৱেং পোথান নিংখৌনা
খোংনা কারে থমংখোং
চোংনা কুমলে থক্রংপাৎ
কাংপোকপী ভুৱেনদা
উ-থম্বাল নমঙানৈ
পালোই ভাম্বা লাইনিংখৌ।
কেগে থাংজিং কোইরেল লাই
মশানা শাবন য়াংবীনি
থাংজিং ভুরিক অমনা
অহিংগী ভনদন ওইৱিবা
মিপ্না থম্বান অনিনা
ইমুংবা লাম্মৈ থানবিনা
ময়াদা মৈবুন চিক্তুনা
নোংদোন্দৈ মপাম বুমঙমী।

থাংজিং য়াথক য়াখানা
শঙাইশেল ওইবা লাইনিংথৌ।
সুংবি শিদবা ভরেৎতা
খুনেৎনবা লাইনিংথৌ
খোংনাং নাদবা মাপনদা
খুদানবা মপুনি,
সনা ঙাতেন হিংজরৈ
লুপা ঙানোই খুদানৈ
শেনগী থুরুম তোংজনা
লোক্তাক পৌয়াই খাইবদা
খুদোন লৈরিক চোৎতবা
থাংজিং কোলু য়াইফবা।

কোয়রেইমা—

খুগা চংবী লৈতানপোক
কাংগু লৈহাও পোকপীলম,
থাংমৈ মাপন থান্দুনা
য়া ঙাল্লিবা লমদমদৈ
য়াংলৌ মদোম হৌরকপী
কোইরেল লৈমা মিঙ্গোবী
থাংজিং তালোক য়াইফবী।

সেনু—

অয়াং হুইদি তুবোনবী
তখেন খুমু খোংজোম্বী

লৈঙেং শৈশাৰোল

কুমগা হঙোই মিংতুৰী
য়েম্ৰশাদা পাওদাৰী
লাইঙিল্লবু পোল্লিৰী
লৈমরক্তা খোংজোম্বী সেমু।

মোইরাং—

কেগে খুঙ্জিন নিপাল্লি
মোইরাং লৈকাই মাপল্লি,
খুজং ভয়ানিখোইনি
মোইরাং লায়াং মাপল্লি।
মোইরাং লাগুং ভয়াদা
চাওগা-চাওই মথক্তা
থাংজিং চীংগা নাপোমদা
হোপাইড়ুনা তাবনি।
লোক্তাক থায়া শাবগা
মৌবি ফোপচং হাড়ুনা
খুল্লাৰিবা মোইরাংনি।
ময়ুম মোইরাং ঙাংখ্মগী
কনা খৌরৈভবনা শমু খোংনা কুমডুনা
খাম্বী মৈরোনবনি, পোইরৈতাবু থিবনা
ৱাঙম হাইদোন লোম্বনা
কেগে মোইরাং মকোই।

ইকোপ—

নোংরাই শংলো চীং, খুমন মোম্বাৰ্থেল

থৌবাল মোইজা চীং, হাওবা ঈখোমপাল
নোংপোক সনা থুম্বী চীং, লাইখম চীং মতোন,
কাংগু লৈতানপোক শত্থুপোক
লাইফাওবী কার্চিন, ইরোং লৈমা উমং
লাইদগোন অপানশোই পম্বী ঙাখা পাৎ,
ঙাক্ল পাৎ, সনা পাৎ, লালোই লফুইকুমদম সোই,
লমপেন ইকোপ লাইপন সোই,
ঙোবিয়া তুথুপ নাহুৎ অপান শোই,
লিহ্ললা পাৎকী লমদম
লিন্দুখোংগী মাইগৈনি!

তোর্বুং—

হাওমু খোন্দেন লৌঙাকফম,
মোইরাং লৈথা চরং লৌ
তোর্বুং কাক্সা লমমুংশি।

খোইরেন্তাক—

খোইরেন্তাকী পন্নুং হাওংরোকী লোকমাং
কাইমরোকী তমথরকপা
মোইরাং খোইবুরোকী মাইকৈ.
তেরা উচান পোকপী লম, পুলৈনা নাপুং ফাব লম,
চীংগী মনাওংতোন তমগী ময়াম্বা,
পুজরো অশোংবা চাকরো অরাংবা
য়াইপন্না থুমু ফাবা লম, মোইরাং খোইরেন্তাকী লম।

লোক্তাক—

লোক্তাক ইশা মাপল ফাংবা লম,
তাকয় ইথিংকোন খোইয়োল ঙৌবী
মশোটমাং, কেগে শেন্দ্রা লমনুংশি,
ঙারমপাৎকী লমদম য়ুরান পান্দোনগী
মাইকৈ, থাঙচীংনিংথৌ
য়াওশুরাকপা খৌদেমচীং করাং তাওথরকপগী
মচীংজিন, কেগে খোত্রাক লমমুংশি।

কংলা—

কেগে কংলা মপুংয়াই
মোইরাং চৈরাপ য়ারেনফম
কেগে কুচু থৌদাফম
কংলা উত্রা শঙলাং মৈ।

লৈমরোন তরেৎ—

১। শম্মুরৈমা নামোইনু,
২। কিয়াং লিকফাং শিবী,
৩। মোংফুরৈমা,
৪। মীতৈ নু,
৫। শ্রিকোংয়াংঙ,
৬। চোইনৌ সনা লেংঙদাং ফবী,
৭। থাগা য়াগা চাওবী।
অথমবী মোইরাং লৈমরোন তরেৎ

কবো—

চেপী য়াকোন ইমুং য়াংবী খোং,
চকপী লাইদগোন অচনবা
ঈরুম নিংখৌনা কোনব লম।
কবো শেম্বী পদাংখেং
কবো শেমবী মীরৈপুং
অয়া শেমবী মীরৈপাক
শেম্বী শয়াং লাইনা কোনব লম
অয়া ফুয়া ভয়া লাইনা কোনব লম।

কাও—

মচু ঙাংই ঙাংবা কৌই
খৈনা পাংম্বা লোই, পামহৈবা,
নিংথিদা, ঙাংবা নিংথি পামহৈবা।
ময়াইবক থম্বাল শানা তাংবা
ময়াংলেন কোয়ি চেনবা
মখৈনা চামলৌ উচান মনা শাবা,
মচি য়েৎলোম থংবনা সনা লোংখুম হুকপা
মচি ওইরোম থংবনা লুপা লোংখুম হুকপনি।

খোরী কৈথেল—

লোংখৌ মপু সোরারেল
পারী খোয়ী কাবা লংথকম
মোইরাং থাংজিংনা ওকচকম।

কেগে খোরী কৈখেল
মোহরাং চেগাই-পোকপী লমদম।

থম্বগী য়ুম—

কেগে চেংগৈ পাৎলেনকোন
লাইদগোন মুংসেল্লীনা কোনবা,
লাই- ল্লিনা ঙাকপলম,
লমজাও তোম্পোক য়ুমদোমপোক.
তোরৈখেক কোম্ভিল্লাই, ঙামুরম থেঙ্গাং শাবা।
য়ানা শারে য়াপাইথোঙ
উনা শারে উপাংথেঙ
পলুরা য়ুমশঙ মানবা
থোইদিং লানা কুপ্পা শঙ
অয়ুক্তনা শংনা মনবা,
ভুমিদাংদনা ঙৌনা মনবা
নোংয়াই লাইরথাংপোকশঙ।

শিরা—

থোংঙাক অশিথেল মকুই মুংওন চীং,
য়াবনা ক্রে লাওবা কমাং চীং
মুরা চামা শিরগা শাবী চামা ঙাইন চীং
শাবী চামা শিরগা মুরা চামা ঙাইন চীং
থমুং লমদম খোঙুমগ্রে।

শিরগে হায়বা—

থমুং শরা ভান, অমংগী য়াইথোংকুম,

শজিক মতুং ইন, থবা মমৈ রাই,
থাকম মৈখুথু লময়াই কাইদ থিন
অমংগী য়াইথোং বূয়গে।

নিংথৌ খুরুম্বা—

ঐবু লোইবা ইনিংথৌ
ননাইবু লোইবা লৈমাবা,
য়োল্লবা কাদা কনবিয়ু
লাল্লবা কাদা ঙাকপিয়ু
খুথা খাগী ননাই ন।
মালেম থক্কী উফুনি
মপু সনা খুয়-খা
য়াংবী থক্কী রাশাংগুম
ননাইনা পুনেনজরিদো।

খুরুম্মীবা নিপা :—

মপু সনা মাংদা খুরুখুদক লৈদা শন শা,
য়েৎলোম থংবা খুংনা মপুদবু পুনেমলে
ওইরোম থংবা খুংনা চিনবান খেলৈ খুমজরে
খোংকম অহুম চংশিল্লি খোংকম অনি হন্দোক্লে।
কোরৌ নোংমদোন ভালৈদা শজিক্লা থোকুম্মী,
থবানা ঙানগুম্মী ফজেদা থম্বা,
হুইত্রি লীগুম পুমবুমনৈ
মালেম লৈমাই মথক্তা অঙৌবা কিশাংনা ভাবগুম,

নাহুবা লীগুম খোইখোইনা
লৈনা লানা তাডুনা, মপু সোরোক য়াংদোদা
কোংয়াং রাশাং তাগুম্বা নোংয়াই মচা খম্বনা
লৈপক্লনা খুরুম্বা ফজে হায়দা লাইমা।

নিংথৌনা খুদোং ফানবা—

মপু ইবুংঙো সনা শঙ্গাই মাঙ্গোনদা
মমুং নিংথৌ শেনবা মচা,
থৌগল লাঙ্গন পুম্নমক্কা লোইননা
হিদাকপু সনা য়োম্বা তোংজে থাবুং শাবা
ঙাস্থক তেংনৌ শাবদা টিকি ওমচাক্লম্বনা
খুদোং চেপফাল্লবদি ফজৈদা লাইমা।

কংলাদা মী তিনবা—

লাকপা লাকপা ফম্নাইবা
ওকচিন লাকপা তোলোং খোম্বা,
য়াংঙু জাম্বা তেলহৈবা,
ঙাংঙৌ লাকপা, ঙাংখম লাকপা,
হাওনা কাপ্পা তেনকাপ্প,
পুংদোং নাইজ্জা অথোবা,
চেংলৈ লাকপা পোংড্রু লৈখম চিনবা
সনা লৈখাম থেংপা, লোইন খমইন ফংবা
মোইরাংগী মীকোক চাত্রেং হুম্ফুনা তিল্লে।

তুম্বা—

সনা কাংখম্নুং কাংথোন য়াইরি পাবস্থক

শিনৌ ক্যার মোন্তেক মথক্তু
লে'ম্থোক্তবী মোল্লাংনা খাদ থং
অয়াং লমগী শিনৌ লশিং তিনগুম্না
লাইরেন শাংবা য়াতানা
ইমুংব' খোমলেন ভুমথুন তাল্লিদো।

লাম্বাও হংবা—

ঐবু লোইবা ইনিংথৌ ননাইবু লোইবা লৈমাগা,
কেগে কংলা শাদানপুং হুইয়েল শান্দানপুং য়বদি,
অনাল্লা নানফোর
খেন্দেরা চাগরেল্লা
কবুই-লোইশাং লাল্লা
থাগীরা থাত্রল্লা
অরা পাইথু পাইরংলা
কবম্বা শা লাল লাকপগে,
শাগী শাথোং পিবিরো
লানগী লাম্থোং লিবিরো
শাগী শাজিন থংজগে
লানগী লাজিন চংজগে
ননাই থোংলেন পঙ্গদা
কাজরকলে লৈকোই মপুরেন

কাক্কা নুংশিৎ—

কাক্কাগী মালংবা—

তোর্বুংগী খঙ্গোনবা
মতারোক্কী নামিবা।
মালংবা অনি চিল্লোকনৈ
খঙ্গোনবা অহুম চিন্দিম্নৈ,
খোইনৌ নংদি কদোমদা
লমলেন লম্মাংদোংলোমদা
মালং ঈচিক থেমলুগে।
খোইনৌ নংনা কদোমদা
লোক্তাক ঈশা ফাংবদা
লাইজ ঈপাল লাংলুগে।
খোইনৌ নংনা কদোমদা
খোইরেন্তাক্কী লমদম,
খুমুজাম্বা মরমথৈ,
হৈরেঙ্গাম্বা ময়াইলেন
তোর্বুং ক্কাক্তা মচিন্দা
লৈনা লানা হুম্মুগে।
চৌংপাংনা হুম্মগা
শত্রু য়াংগেন ইলোন-লোন,
তমবু পাংনা হুম্মগা
খোইমোম লাংদোন ইনোম-নোম,
মৌবী তেকচাক ইখোই-খোই,
খোইরেন্তাক্তা ক্কাক্তাই মুংশিৎ হুম্লকলে।

থম্বা থোইবী বাশকুবা—

কেগে তাকমা ইথিংকোন
খুয়োন ঙৌবী মশোইমাং
খুমুজাম্বনা য়ৈন-পুং
লুয়াং তৌজা মথোংদা
য়াশক পন্দোল পুক্লিং-লেপ
গুরা পাখং য়াশকনৈ।

থম্বগী লিংজেন শাহৌ—

মরিং য়েম্ব খোংনেম্বা
মরাম য়েনদি ফৈজ'ওবা
অঙাংবা য়েনদি পাওদাক য়েন।
অমুবা লোইমোম ফোগৌ-য়েন
অঙৌবা য়েনদি ইরাৎ-য়েন,
সুমিৎ সনা পুরুম-য়েন।
খুরাই য়েনদি মৈবুংবা
য়াংখৈ য়েনদি ফৈজাওবা,
চাংদম পূংদা থাদোক এ
কাওন পূংদা পুথোক এ
কে-ক্রে-ক্রেক খোংবদা
য়েনবা য়েনখোং মথোইজৈ।
য়েনসি লোকপা য়েনগুম্বা,
য়েনবা মানবা খমবা।

নোংবানগী লিংজেন শাহৌ—

কাইথ চীংগী মচৈংলক
শঙ্গু য়াঙ্গেল মরক
হমক্রু নারোয়ুংভ্রদা
পাম্ব থুপ্তুনা লৈবা-শা,
পাম্ব খুৎনা শোয়রগা
কৈরেল য়ানা হৈবা-শা,
কৈরেল য়ানা শোয়রগা
পাম্ব খুৎনা হৈবা-শা
পাম্ব মানবা নোংবান্নি।

লাগী মরম —

চংবী লাদি নিংথিবা
হাওবা লারাক ভোনদাম্বা—
খোইমোম তিনখুন লৈতবা
লাভোন অমা থৎলুরে।

থমবনা চৎপা—

কেগে খারী লমজাওদা
মোইরাং খারী লমশাংদা
থম্বা কামজাও হুন্দুনা
নোংয়াই নোম্না লাকপদো
করি কম্না শিংথানি।
লৈপূং রাগুম তনাপপা

থাংজিং য়াগুম সোম্মাবা
কিরাগ য়াদি তাংজুমবা।
মভোল পূংবা য়াগুম্বা
ক্বাইমা ফজৈ খম্বভোন
কেগে মোইরাংনা কংকনৈ।

থোইবীনা চংপা—

লাংলেন মজা ইবেম্মা
মনাই শেগুনা মাংদা-থা,
কেগে য়াংদৌ থক্তুদা
মপু মনাই থোকলকপা
ফজৈদা মজা ইবেম্মা।
কবো কদাং লাইরবী
মমোম শোংগ্রী লোৌভাকপী
চেক্লা ওইনা শাইওনবী
পোম্বী ওইনা লাংওনবী।
চেক্লা মচিন তাবনা
তেংনৌ য়োংকোন ঙমজবী
চেক্লা মচু য়েংলগা
কিগে লংশং মানবা-চেক।
হা চেক্লা কনানো—
ভেনরা কৌবী চেক্লানা
ম'গেম থক্তা চংকুম্মী।

মীগী মচা অত ংবী
লাইগী মচা অতাকনৈ।
নোদ নোবী তনোবা,
অনোবা লৈগুম শকহেনবী
সনাগী উরিগুম ফজবী
শয়াম শাংপী কুণ্ডরৈ
মশা য়াম্বী শিঙ্গ রৈ
গুম্ফংয়াইদি য়াইবুবী
অপাময়াইবু পুরিবী
মুংশিবা লাল্লুপ কারিবী
ফজে হায়দা থোইবাদো।

থংম্বগী কিজোল—

মপু মনা কীনি
থামেন চপ্লা কৈজোমনি,
মরাক্তা কাপ নিপান থুবাকনি
ময়ুংদা লমহুম থগাই।
থুমন তম্না শেল্লকপা
লেশোন ফুরিৎ শাইগকপা
শন্দ্রপ্না কুদাম তরানিথোইনা
থবাক লুরেন ঙাম্থোইরি।
লিকনা লিকথাং শিরকপা
নিংথম-শা য়েন্নাও কী
ভুংদ কৌরপ থাদরে,

শায়ু নাত্তোন মান্নবা
পাশ্বোম য়েৎক ওইগদা
সনাগী ভাল হাপলকলে।
লেমলৈ ওয়া ওম্বা খুজেংদা
সনা খুঙ্গী শিরকপা
ফজৈদকো খব্বাত্তোন।
নিংথমনে, শমজিমে
চারিনে লোইখমনে,
পজেনে কৗরায়ে
উরিকশেক নোংইনখোন
কাণ্ড লৈখম তরুকনে
পেত্রুক কোখা শাবা
খদাংচেৎ লোইয়ামবা
ক্বাকলৈ মরি অঙৌবা
খদাং চুমবুল লাকশিনবা।
ফিরাল নানবা মথক্তা
পজেং নানবা খোনবনি
পজেং নানবা মথক্তা
ফিরাল নানবা খোনবনি
নোংয়াই মচা খম্বদে।

হিহোনবা—

হৈবা নৌদি তমফবা

ভময় নৌদি খাইফবা
মরিং নৌদি ভোনশাংবা
কাইদোই মাপম্না শাবা নৌ।
য়েংকী খুৎনা লোংনা পাই,
ওইগী খুৎনা উপনা পাই,
মাংগী লাইজ থাদিং কৌৎ
তুংলোম চৎনাং য়েনশম পৈ.
নাক্কী ঈরৈ .তলোৎ শা,
খুমু নৌখৎ ভোইরকলে।

থোইবীগী মতৌ—

পেমা উরেং চাবুরোই
উরেং শরায়ক্লুগী
মুক্তা পুবা চেককুম্বী
খুৎনা নমডুনা কানিংবী।
চানিংবদি থম্মোই বৈ,
চিন্নিংবা য়োৎথোল নৈগুম্বী।
নোংদোল কৈরাক থাডুনা
হেকচনিংবী ইরাংলোন।
ম্নরা হেকওমখিদেদো
থোইরাং পাখং মচানা
ঙাংনখিদো অদুগুৈ।

থোইবীগী হৈজ্রাং—

চাকশং কাইথী তোনৌ থাং,
খোমজ্রেম্বুবী কানা থাং
হৈজ্রাং মপ্রাম শোইন থাং
চমপ্রা মখোই লেম্ব থাং ;
নাচোম পশিং ইথন থাং
পিথ্রাইনা য়াংগু লৈব থাং
শামু মম্না খোকচং থাং।
থাংগী মম্না অচুম্বা
শম্লাং চবুন থম্লগা
শোরনা ফু কাম্বদা
শম্লাং চবুন তংপা থাং।

শামু খোং খেৎপা—

শামুখোংদা খেৎ,
লাঙোই খোংদা পুন
ইঙাং পাক্তকনা
ইমু পামফেম্না
উপনা ভাংবে উপ্না চিং
লোংনা তারে লোংনা চিং
চেপাইনা শো শাবদা
কুয়াং উনশা থবৎ-তৎ,

নোংম্নাই নিংথা মচেৎ থাক,
অয়ো নাহে চনখরে।

নোংঙানবা—

ইন্নুং শোরা মৈতরক্লে,
লোক্তাক ইনুং ভাওথ্রানা
চিঙ্গোই ও ময়রকলে।
মায় ঙালে উঙালে,
নিংথি ভুরেল থোংবান্দা
ছুইখৌ লাবা থোংলকলে।
অমাং কৌক্র চিংথোংদা
সঙাই লাবা চীকেংলে
পাথংবা গুরুং মপুংদা
লাইরেন লাবা ম্নাওল্লে।
চেক্লা উথুম থোমনৌবী
মপারী চৈইন থেংবনা
চেক্লনা ভুম ভুম ম্নাকৈরে।
চয়োইনা ভেতু থোংলকলে
ফাকী লমবাও চেল্লকলে,
ছুইখৌ লাবা চিকেংলে,
লাইরেল লাবা ম্নাওল্লে।
মৈরক কাব্বা শল্লাওরে
শাবন ম্নাংবী শনখিরে

ওকলেন লাবা খবোমবা
খুমল লৈদা কাওরকলে।

থোইবীনা কপচবা—

অরাং কৌরু অশুপ্পা
লৈমলাই খুনদা অহানবা
চারিক মপান থাবা লম
নোংথৌ মউ লিংবিবা
লিলাশিংগী শেংকমদা
চোমলাং পোকপী লমদমনি।
লোকলৌ শাবা পন্নুংনি
খৈদেনমানবী লোকমাংদা
অরাং কৌরু লাইশা,
শল্লুপ পুবা শামুনি
মশাদা লৈঙাং তৈশিল্লে।
মথক্তা লৈচেৎ চাইখৎলে
থেংগ্রবা নোংঙাল্লমদাইদা
মনাতোন শুন্দা থেককৎলে
হাদ-ইপা শোরারেন
শামাম্বা পীবিয়ু।
মমিৎ ঈথেং কাহ্নুনা
নোংখোং পান্দম লাক্ত ঙং
ময়া থম্মৌ উৎতুনা

লামাম্নবা কদায়নো।
য়াথিল্লগে খেক-লাওবা
লাম্হৈংনগে ভেমশিংবা
অদুগুম্বা ঐগী মাপ্পবু
লাইনা ঈঙাং পাক্তৈক্লে।

থম্বমা কম্মুংদা শোক্নুনা হিপ্পা—

পাখং সৌবোন কাগী লম
লেংবা লাকপা ওমদনা
খম্বা শাংবা য়াতারে
অয়ো মাহে চনখরে।

থোইবীনা কবো কুম্মমদাই—

পাম্মুবা মাগীদমকনি
চীংদা কাদুনা শিংজনগে,
পাত্তা কুমদুনা ঙাথিগে,
পামু মশুং লাংগীনি,
সুংশিবা মরমগীদমক
খাগী খাত্রন য়োজগে।

কাব্রংগী শৈরোন—

মুকী লং মুকা লং
অশেৎ লং অয়াই লং,
অভৎ লংদি খোংনেৎ লং।
কবোদগী ভাঙল লং

শেম্বীদগী কোনা লং,
ভাঙ্গল কোনা পাজু লং।
যোনু কৈবাক ভাবুল লং,
অশংব হৈনা কোন্দোলং,
অঙৌবা কাম্রা কবোলং,
কাত্রং লংলম ভরেংনি।

থোইবীনা ফি শাবা—

কংবু ভনমেৎ মেৎথোকলে
লংচাক ভম্না চাকথোকলে
চরৈ পাম্নয়োং হৌথরে।
নাম্ব ইয়োং শঙলেনদা
য়োংথম মাংদা থারগা
চরৈ পাম্নয়োং ভিংথোকলে।
কোন্নবদি অনিনি,
অমনা থাদা পম্বশিল্লে
অমনা তোলদা হীপচিল্লে।
হংকৈ কারন লাকশিল্লে
শুনা থরাক মরিনি
অনিনা থক্কা পুনথৎলি
থাদা অনি থাদরে।
অরাং তোম্বী নাওংথোক
থক্কা থরো ওন্নকলে।

উশোই নময়াং অপিথক ;
খেউগী পাঙ:দম চিন্দুমবী
ময়াই লাংথোং হন্দোকলে,
নাতৈ অনি হুন্জোকলে।
য়েন্দু কৈথিন্নশিল্লে,
মনাকোং শরিক থাংজিল্লে
শেন্দাং চকন্নাই খোনগুম্বী।
থম লাওব। খোঞ্জেন্না
নৈকাই পাংশং হাংলবী
ন্নাইজনিংবী তেমথেংনি
চরৈ ফিন্নাই থুদিংদা
পুন্ত্রি জাগোর য়েকশিল্লে।
থন্নো থম্বাল শাৎহল্লে
ঙামু থঙোং পাইহল্লে,
অঙাংবা তময়া য়েকশিল্লে
অশংবা তময়া হাপচিল্লে।
লাইরেন্না ঙাংনা থোকপনি
অঙাংবা কাইরৈ শাদা ফি
ভুবী মুনা তাবনি।
অমুবা চরৈ য়েল্লৌ ফি
শাংশবা ঙাশবা য়েকপা ফি,
লাইমা নিংথি য়েংবদা।

তম্পাকয়ুম হঞ্জবনা লম্মিৎ থাবা—

(১)— য়েংঙুনে সনাহল,
থম্বাল নোংশা লৌনি
পুনেম লোকমাই অচুম্বা
থুবী পুংগী লমদমনি।
খুমুজাম্বা মতারোক
থরাকলৈ চিংজিন কৌবা লম
লবুকী কেঙোই মচানা
মপান ঙৌনা শারিবসে।
ভমগী লৈরাং ফজবী
চিংথ্রাও কৌবী মহাকনা
লোইবী চিংমাই হেনবা লম,
সনা মিৎয়েং ভাবিয়ু।

থোইবী— মাংদগী লোইবী চীংসিনা
করম্বা চীংনো অঙম্বা।

(২)— য়াওশুরাকপা খৌদেম চীং
খোংজাই ঙম্বা চীংজাওনি
থংনবনা পাবোৎ চীংলেন্নি।
সনা অসে য়েংবিয়ু—
লমলেন কৈরুল লমজাওনি
অমনা ভোরা চীংনিদো,

ভাকমু ইথিনকোল
শেত্র ইরাই কোম্নিনে সনাহল।

থোইবী— অমসিস্থ নশুদা
ভাকপিয়ু ইপু হঞ্জবা ?

(৩)— লোকমাই হাগত্রা হাদ-চীং
শেম্লোই নিকত্রা নিক্ত-চীং
লোইবী তাওগত্রা তাওদ চীং ;
উতং কাপলেন হুইথাচীং
লোইবী চীংমাই মাপন ঋাংবসে
নবুধৌ থাঙ্গরাকপা মচিঙ্গোল
লমলেন থাজ চীংজাওনিদনা সনাহল।

থোইবী— মথংসিদি অওবা ?

(৪,— মমাং থংবনা মুকাপনি
অরাং থংবনা থাঙ্গ-কারাং চীংনি।
হৈককনা শৌ শারিবা
থাংজিংনা পোমাই তুরিবা
লমগী কাওওনা চাক্তাকম
লোইবী চীজোই তাউথ্রানা
লেমলৈ ঙারম ভাল্লিবা
চেক্লা শঙ্গু পাইপ্রিবা লমদমসে
থম্বা চেঙ্গৈ পাৎলেকোম্নিদো সনাহল।

নোংবানগী পে উবদা থোইবী—

ইপাগী মনাই অঙমবা
ইপুথোয়না লাকপদা
কুম্বী ভেরা খাগী লমদমদা
মোইরাং অঙম্বা কনানা
কেগে তোর্ব্বুং শাদাগ্নি
খুগা নানবী শান্নোমগনি
তাবিরকপগে ইপুনা।

তম্পাকয়ুম হঞ্জবদা থোইবীনা মেঞ্জবা—

নোংবান মাগী মরান য়াই
র'ইথুংঙরোই হায়বগী
কবো পূংদা কুমবনি,
পামদবা মাগী মফম্নাং
য়াঙ্গোইদোগী শরুক্তি
কবো শেম্বা মীরৈপুং
মীনাই ওইনা লৈবনা
হেল্লা ফরে নশুদি।
কুংশিবা মশুং লাংগীবু
নশু লাইবক থীবিদি
হন্দক্তি খাগী খামন য়ৌগ্রগে,
শেম্বী পূংদা দোলাইসে
শমাই লৈবিরো অঙম্বা।

উশোই নময়াং অপিথক ;
খেউগী পাঙদম 'চন্দ্রমথী
ময়াই লাংখোং হন্দোকলে,
নাতৈ অনি হুক্তোকলে।
য়েন্দু ফৈথিন্নশিল্লে,
মনাকোং শরিক থাংজিল্লে
শেন্দাং চকয়াই খোনগুম্বী।
খম লাওব, খোঞ্জেল্লা
লৈক্বাই পাংশং হাংলবী
য়াইজনিংবী তেমথেংনি
চরৈ ফিয়াই থুদিংদা
পুখ্রি জাগোর য়েকশিল্লে।
থরো থম্বাল শাৎহল্লে
ঙামু থঙ্গোং পাইহল্লে.
অঙাংবা তময়া য়েকশিল্লে
অশংবা তময়া হাপচিল্লে।
লাইরেন্না ঙাংনা থোকপনি
অঙাংবা কাইরৈ শাদা ফি
ভুবী মুনা ভাবনি।
অমুবা চরৈ য়েল্লৌ ফি
শাশবা ঙাশবা য়েকপা ফি,
লাইমা নিংথি য়েংবদা।

তম্পাকয়ুম হঞ্জবনা লম্মিৎ থাবা—

(১)— য়েংঙুবে সনাহল,
থম্বাল নোংশা লৌনি
পুনেম লোকমাই অচুম্বা
থুবী পুংগী লমদমনি।
থুম্মুজাম্বা মতারোক
থরাকলৈ চিংজিন কৌবা লম
লবুক্কী কেঙোই মচানা
মপান ভোনা শারিবসে।
তমগী লৈরাং ফজবী
চিংথ্রাও কৌবী মহাকনা
লোইবী চিংমাই হেনবা লম,
সনা মিৎয়েং ভাবিয়ু।

খোইবী — মাংদগী লোইবী চীংসিনা
করম্বা চীংনো অঙম্বা।

(২)— য়াওশুরাকপা খৌদেম চীং
খোংজাই ঙম্বা চীংজাওনি
থংমবনা পাবোৎ চীংলেম্নি।
সনা অসে য়েংবিয়ু—
লমলেন কৈবুল লমজাওনি
অমনা ভোরা চীংনিদো,

তাকম্ ইথিনকোল
শেগ্র ইরাই কোম্নিনে সনাহল।

থোইবী— অমসিম্ন নশুদা
তাকপিম্ন ইপু হগ্নবা ?

(৩)— লোকমাই হাগত্রা হাদ-চীং
শেম্লোই নিক্তত্রা নিক্ত-চীং
লোইবী তাওগত্রা তাওদ চীং ;
উতং কাপলেন হুইথাচীং
লোইবী চীংমাই মাপন ক্ষাংবসে
নবুথৌ থাঙ্গরাকপা মচিঙ্গোল
লমসেন থাজ চীংজাওনিদনা সনাহল।

থোইবী— মথংসিদি অগুবা ?

(৪,— মমাং থংবনা মুকাপনি
অরাং থংবনা থাজ-কারাং চীংনি।
হৈককনা শৌ শারিবা
থাংজিংনা পোমাই তুরিবা
লমগী কাণ্ডনা চাক্তাফম
লোইবী চীজোই তাউথ্রানা
লেমলৈ ঙারম তাল্লিবা
চেক্লা শঙ্গু পাইগ্রিবা লমদমসে
থম্বা চেঙ্গৈ পাংলেকোম্নিদো সনাহল।

নোংবানগী পে উবদা থোইবী—

ইপাগী মনাই অঙমবা
ইপুখোয়না লাকপদা
কুম্বী ভেরা খাগী লমদমদা
মোইরাং অঙম্বা কনানা
কেগে তে'র্ব্বুং শাদান্নি
খুগা নানবী শায়োমগনি
তাবিরকপগে ইপুনা।

তম্পাকয়ুম হঞ্জবদা থোইবীনা মেঞ্জবা—

নোংবান মাগী মরান য়াই
র ইথুংজরোই হায়বগী
কবো পুংদা কুমবনি,
পামদবা মাগী মফম্নাং
য়াঙ্গোইদোগী শরুক্তি
কবো শেম্বা মীরৈপুং
মীনাই ওইনা লৈবনা
হেন্না করে নশুদি।
লুংশিবা মশুং লাংগীবু
নশু লাহবক থীবিদি
হন্দক্তি খাগী খামন য়ৌব্রগে,
শেম্বী পুংদা দোলাইসে
শমাই লৈবিরো অঙম্বা।

তম্পাকয়ুম হঞ্জবগী পাওমেন—

থাগংলগা হরাওবা নোংবান্নি
অথোই নাপন চাওবনি
তিংলিগুম লৌওনসি
খরাগুম্না মীপোং হুরম্স।

খোইবীনা পানা তপ্পা—

অকুপ লাদোং খাদগী
পানামনা খোঙ্গ্রা নামিবী,
ময় ইদা প্রেকপু থেক্লগা
নাতোন শারি কারবী
ক্বানা কাংথোল ওইহুনা
মনানা মোম্পাক ওইশিল্লে।
হিদাক মনানা কাংখল শা
লোংপান্না কাংখল চৈখোক্নি
শুম্নুনা মাইথ থাজিল্লে
করপুরন্দি ফৈজুপ ওই
এলাইজিনা মোলাং শাদুনা
তপথরবা প'নানি।
সনা কৈখেলগী খিল্লিনি.
শুনা তপ্পী হায়দুনা
নিংথোল শুদপ কৌইদো।

থোংলেন লান হৌবা—

লাঙ্গোই কারু খোংদাংবা,
নাকথং খেনা পুম্নং লং,
শমাই শক্রুপ্প কোঙ্গোন খিন,
খুর্জী চোমলাং মানবা
ছোরি মাপন কুম্বা শা,
অরাম্বাই ভেন্দোং য়ানবা শা
লাঙ্গোই শাবোৎ শেমগ্রে।
থোংলেম্না শাকি-লানফী শেৎ,
থাংশাং নাকন য়ান্দুনা
লাঙ্গোই শয়াংমথক্তা
থোংলেন তন্না ফমখরে।
মনাই তম্বা কুম্ব্রানি
থোংলেনগী অর ং হুইজাও মরি
মৈগা নাগা ককপা হুই
শরিক মণ্ডা মণ্ডা গুক্তা সি
হুইরেন লানশা য়াওরকই।
নোংশা লাল্লাও লাওজুনা
মোইরাং কংলা তম্মকপা
থোংলেন লাঙ্গোই শগোলদো
খুত্তুংনা খুমাং লামজুনা
খুমাংনা চিন্দোন লামজুনা

কেগে থারী লমজাওদা
চেনখৎলকলে খঙ্বা জাকনগী

টাগী শৈথা—

টারোন টা, হকথং টা
অরাং টাদি চিনপাকপা
খৌবুম টাদি চিন্দুমবা
চকপী লাইশম য়েকপা টা,
টারেল চেৎনা পাইনরে।
হেম্প নৌদি চুমফবা
চুংদোন ঈঙেল্লে থেৎপনি
মরোং চুংফু ঙক্ক হুক,
নোংয়াই নোংবান অনিমক
কৈবন তম্না চংখরে।

কৈবন চংবা—

থৌদ্রু সুংজা চেকনাইবা
সুংজা কোনথিন থৌদ্রু থক,
খোংনা নেৎতুনা চৎপগী
থুরা মৌবী মমাই চাম
খা-চিক্লনা মখাংঙি।
মোংশোং নারক নম্বগী
হুমাং লৈরিক কাংশ্রিবা—

কৌরৌ মৈশা অয়াকপা
থবাক মৈশা লাংজৈনে।

কৈনা শোকপা—

প্যাম্বনা চিঙোই চন
কৈরেম্না য়াথোং লোনদুনা
কৈরেলগী কৈথ থাবনা।
কেগে অথা কোংয়াম্বা
সাম্মা মাগী মপাঙ্গল
মমৈ তন্না রাইরকলে।

থোইবী লুহোংবা—

লৈমরেল লাংওন চংখোনবী
পাম্থোইবি শায়োল অরেপ্পী
ফৌওইবীগী লাংওননি
ইমোম লাংলেন চরৈহন
মথক্কসু মচেম শাত্রবী
মখাদসু মনাও পোমদ্রবী
মদোম পোকপী থাদোইসে
খরাইথক্তা লৈহাপকুম,
লৈরোং লাইদা কৎপগুম
খুমন নরান য়াইদুনা
চামনা খুজিং ওইনা
লুহোং পরৈ পুল্লেদো।

লৈতেং শৈথারোল

অনিশুবা পন্দুপ

থুনং ঈশৈ থরা।

থোইবীবু থাদুনা শকপা -

লৈমরেল লাংঙল চংখোনবী
পাংম্থোইবীগী শ ইয়োন ও
শায়া লাংঙন চংখোনবী
লৈমরেল ওইবী থোইবী।
মা লেন লাইগা য়েংবদা
শিনৌ নোংথোং লৈমনি
তুংয়ান তাবা শম্লাংনা
চকপী উচান মনান্নি।
শাংদ-শাংবী লুতুং শম
শাংতক তোবী নারুম শ ই,
তেন্দ-তেনবি লুম্মাং শম
তাউজিং হৈনমনা চুরবী
শিঙেল লৈনম্না ওারবী
ঙোদ-ঙোবী লাইবকনি।
ঙোরোক ঙোবী লাইবক্তা
কুপ্ত কুপ্পী নিংথিবী
মুমুক মুবী শমলাংনি।

মচা অমত্তা ভিমদে
প্রোপ-প্রোপ তাবী শন্নাংনি
লেংদোন-লেংপাক পুমচাই-চাই
মাইথোং থাজ নিংথিবী
থাজ থাবুং ওমজবী।
পিশুম পাগোই অনিনা
নোংদোন চুমথাং মতৌনি
পাদক তৌবি মিৎচিনা'
য়াম্নৌ শক্তি মিত্তানি।
য়েংথোরকপা খুদিংদা
মিৎয়েং লাক্লোই লাবনি।
নাতোন নাকচি অনিদা
ছুমাংগী লৈরিক কাবনা
সনানা কোঙ্গোন থিনশুম্মী
লুপাগী কোঙ্গোল চাইশুম্মী।
অয়াং লমগী হায়রগা
'য়ুবা থোইদিং মপামা
তমজনবা মশক্কি।
চান্নবা শাৎপস্থ কজদে
পোমদ পোশস্থ নিংথিদে
পুমবুম তৌবদা লৌরবী।
চিনবান মথক মথানা

য়ারক্কী তয়াল মাম্নিনে।
কবোদগী য়াইদাকা
শেখীদগী হৈবুংগা
য়াখোং মুনা শংজিল্লে।
নিঙোল য়াতা য়েংবদা
চার ককোই য়াতানি।
চিনবান কিনা খুমজৈদা,
নোকওইদবোই মনিংতি
খোইরুম্ম মোংমোন নোক্লকপা
নোংদোন নোংথাং লৈমনি।
নোংথাং কারল হাইগুম্মী
অমম্বদা চুমথাং খনগুম্মী
ফজৈদা মজা ইবেম্মা।
তাথরকপা পাম্বোমনা
পাংত লৈথা মুংদগী
থম্বৌ হেন্না পাংথকনি।
চেংদ চেংবী খুজেংনা
লেমলৈ তান্না তমজবী
সনা খুজিনা পুমতাং-তাং

* মমাংতৈদা য়া পরেং অনিমক হৈবুংদা নোথোকহল্লগা য়া-হিদাক শংজুনা মুহল্লগা য়াতোন লংনা তকথোক্লরগা ফজৈ লৌনরম্মী।

খুৎতা থম্বাল মাল্লবী
থ'ওদন মানবী তথোংপী
চান্নবা পূমথোৎ খোৎথ্রবী
অগ্নি * মানবী পুনবুমবী
তাংনাইদবী খুত্তানি।
খুং চৈ ফী থোংকম
থোংনাং অশি খোহগুল্বী,
খুবাম চেংলৈ য়েংবদা
লফু লেমত্রা ওমজবী।
খুউ কাঙোই অনিনা
পুরিবগী শিনদম শং
পৃম্বাবগী শিনশু কাং
কাংলেন কংগোই মওংনি।
খুবোম তোংদম য়েংবদা
মকা হাওব থেন্দগী—
চোম চংবী লায়োনথোক
খোংনা খুরুম খোংদানি।
খুনিংনা ঙাতেন চিনদানি
খুয়া য়াইওং মচুনি,
নিঙোয়া কাইদ চৎলকপা
ফজৈদকো সনাহল।

* লেহাও অগ্নিগুম পুম্বমনৈ হায়বনি।

খোইবাম্বা থম্বগী মপাঙ্ক ঙাইবগী শৈখাংরোলঃ—

কৌব্রু লোংদি কোম্বুলোং,
অৱাং কৌব্রু থোংজেন লোংনি,
হইকপ লোইশাং লোংনি,
কবুই লোইশাং লোংনি,
কবো তঙুপ অবেং লোংজুনা,
লোংবা কেনজুনও নম্বুল তুরেল শিরোং মৈ,
মাইকল লোকচাও লোংদাবে;
ইম্ফাল তুরেল চাওরে,
থৌবাল তুরেল ঙাউরক্লে,
ঊরিল তুরেল পারক্লে,
নম্বুল তুরেন ঊচাওক্লে,
চকপীদা চাওবা ঊশিংনা,
লাইজা চৈনা থিংজুনা,
থেংবাক নাপোম অঙ্কুবা,
লাইবা ওয়াংনা চেৎক্লে।
লোক্তাক ইশা মাপ্পানথক লাইজা ঊথক কায়কলে
তুরেল থাংবা লোংগোরে,
লোংমাইজিং ফিরুক শুম্বকলে।
অৱাং কৌব্রুদা থোংবরে,
তুমগী লোংবা লোঙ্গৌং হুইনা তুম্ব

নাইক জাঁশং থকচি হাম্ভনা
চেক্কা নোংকমমজেবোই ।
নাইক পানা চাডবু,
থোবুম থমা উম্মু হাম্না
পোমবি নোংখাইমমজে ।
কোবো থকা মেংখংনি
হনক মংলিবা নোংসিনদি,
চেক্কা ইপুক থক্কগ'ন ।
চেক্কা মশা ইভাম ভাম
পোমবি মচক ইচোই চোই,
চিংকুং চাদি নোক্কোবি.
নোক্কোবি কোবি চেক্কানা,
উম্মাগী কৈবা থকা,
চেক্কা কৈনা কাইদোংনে ।
মেংখবা নো·ভাম্মথদাই-দা কোবো নো·দোনগীদি,
নাইক নিক্কা ভাইবওয়,
চেক্কা ওইবা কনানো,
নাংলেগ মচা দোইবিনি ।
নাচিক ওইবা কনানো
নো·মাই মচ থখনি,
চেক্কা ওইবা খোইবিনা
থথা মপাওয় ভাইননি ।

খোইবীনা থবলা লক্লবগী শৈখারোল ঃ—

মোইরাং খোইমু তাবোনে ইবুঙো
থুঙাই খোইমু থরাংনৌবা,
ৱাংথৈ খোইমু থাংজেংবা,
যাম লেংকী খোইমু
ঙরাচিংগী লৈপামবা
মারোইচিংগী খোইরাবা
মুমিদাংবাইরম কান্দা
মুমিৎনা চিংমা থাংবকাম
চিংমা খেন্দোং লাংবা কান
তমরানা কোমি চেনবা কান্দা
খোইমুনা শগল মরি তিংঙ্গনা
শিঙেল হোকম থিরগে
লৈরাংগী শাৎকম য়েংলুগে হায়রুনা
মোংখোং কোইনা পাইরকপদা
নিঙোল লাইবক থিবীনা
কাক্রং থৌরী থুৎতা পাইরগা
খোইমুগী মথরাং অচেংবদা পুরগা
তেমা থাগে ইনিংতম
লাংবা থাগে ইথা তমবা
যাবা থোক্লমবদি নিঙোল ওইবী অমুক মারোইদগী
হো মোইরাংগী খোইমু তবোনে ইবুঙো।

খম্বনা থুবগী শৈরারোল :—

হা থমথাল মানবী ভাঁরোনে হবেম্বা।
হো ইবেম্মা মরিং পেং.ইরে কেঁবুরো,
খেম্মদাকী নমমুংশি।
পোইবী হাওরো ভমথাদা
মরিং ভোমবা কাওবনা
মোরেল থুভা পারহুনা
মুংগা মোংকা কেইনরে
খাবী মৈনা মাইদা থোং।
ইকুম কাথোকহুনা
নমজাও থাবী মৈথাবে,
থাবী মৈনা চাকপনি।
কোরো মোইবৈলোনি থকপা
নোংলোন লাইকী লিরু ভাবৈগা
থামবীদি মৈনু তুইদিনে।
পাখংগী খম্বোই নিংকানুংগী
নিঙোন মুংগি মৈবা চাকপদি
লাইজ লিরা ভারপদি
মুংপদি হারমুপগী কৈবাখিও।

———

অহুমশুবা পন্দুপ

লৈ খরগী শৈথারোল

উরিরৈগী শৈথারোল

উরিপোক খোংয়াল মাকি লুখোংপাল,
খোংপাক সুরাবী পাখং হুইয়া চেংগারক
লমলেন কেংয়াং-রাবুন।
উরিপোক থয়াংবা মশাইকোন্দা
তংবা লৈ,
পাখেল উখোং থাদা হোৎনগা
উতোন লোয়া শাৎপা লৈ,
পাখেন রাখোং থাদা হোৎনগা
রাতোন লোয়া শাৎপা লৈ,
লৈরাং মচু ভাবনা
লৈমতাক মাচরি মানবা লৈ,
লৈরাং লৈনা ভাবনা
তাউবা হুইরৈ মানবা লৈ,
শিংচেপ মানা পোম্লৈ
শেনপাও শৰিক মানবা লৈ,
লৈরাং মানা শাৎলগা
সুবা নবা নুকুলগী পাইজি মানবা লৈ,

শিজেল কোনোয় যাম্‌বি
[illegible] অমিদৈ কৌবা লৈবাংসিদে।

নাগেশ্বরগী শৈথারোল :—

নাপক কুথোং চাওল [illegible]
[illegible] লৈরকখেৎবি [illegible]
লিম্বু মাংতেকচিং খোঙুম খোনাইলোক
খুড়াই হাওপল অমাংদোং
বিষ্ণুপুর মপুং মাইদা
কৌবা লৈ [illegible]
শিজেল মানা থাৎপদি
পাৎমেন উতাও [illegible] লৈ,
লৈবাং লৈনা তাবল [illegible]
তাউবা হুইরৈ মানবা লৈ,
লৈরং মানা পোম্বিদুনা
লুপাগী খুজুপ মানবা লৈ,
শিজেল লৈচু হাবলুই [illegible]
অতৌবা লুপানা পাক্লাপ চনব লৈ,
শিজেলগী লৈথিক তাবল।
মা পী ঝিঙুর মানবা [illegible]
[illegible]
লৈবাং নাগেশ্বর কৌইদো।

মখোনগী শৈশারোল :—

লৈতান যুবোইকোন,
লালোইপা ওবীথেম্ [illegible]
শিগোং লাল্লুমপাং নিঙেল তবংলী,
একমরাই লম্মচ [illegible]
চিবী লোকলৌকোন কম্লোম [illegible] মোংফবী,
হুমলৌপাং [illegible] লমলেন
ইমাম্‌ংদা শাংপা লৈ; [illegible]
নোংত্রেন তুবী [illegible]
মনানা চামলৌ পা চাটৈন,
মটৈনা তাওবং হৈ ওইনৈ,
লৈরাং মউ তাবনা [illegible]
শাইব লৌংত্রম [illegible] রিদো,
লৈরাং লৈ-না তাবা
চংবি লাকোই মানবা [illegible],
শিঙেল মানা পোমলিক্তে [illegible]
কাত্রংগী মকি লংঙম মওংনি।
লৈরাং লৈচু [illegible]
লুপানা পাথাপ [illegible]লৈ,
লৈরাং লৈরিক তাব[illegible].
নিঙোলগী শাইনোন মানবা লৈ,
লাইব ইপান থকা

লৈতেং শৈথারোল

শিঙেল মনিং ওয়া খাংপা লৈ.
থা·গী লমদম চাওবা লৈ,
থক্কী লমদম হেনবা লৈ,
শিঙেল কোলোয় মমিংদি
ইঙা লৈরাংলেন
থমবাল কৌবী লৈরাংনি।

কেতুকীগী শৈথারোল :—

পাখংনা শোবি থাংলেন পাইহুবা
মাহা মপুং কানবা
লৈরাংগী কোলোয় শেমবা
ফুম লৈকন তৌ,
মালেম ইথন তোই,
কোয়ৌ থিকলেন চাই.
শিঙেল মাবু চাওনবা হোৎনবা লৈ।
শিঙেল লৈপাল কারে,
লৈরাং মউ চাংওবে,
লৈরাং মউ তাবনা
কোওয়াং লৈচঙ মানবা লৈ,
লৈরাং লৈনা তাবনা
পাংগৌ হোয়াই মানবা লৈ,
শিঙেল লৈচু হায়কগা
লৈরাং নাপু মশাল,

লৈতেং শৈথারোল

থেঙগী পাংঙনদেব মওংনি।
লৈরাং অরা কোলোয় মফিংদি
শিতেব কেতুকী কৌইদো।

চিঙোংলৈ শৈথারোন :—

কবো ডাংলৈচিং অহাং থেথেচিং,
শিংগোং মপুং হাইবা অংবা লৈ,
লৈরাং মউ ভাবনা
শাইবা লীকং মাসব লৈ,
লৈরাং লৈজা ভাবনা
চাংথরং মওং মানবা লৈ,
লৈরাংগী লৈহূ কাররগা
হাগী মচু মানবা লৈ,
লৈরাং কোলোই মফিংদি
শিতেল চিঙোংলৈ লৈরাংনি।

থরোগী শৈথারোল :—

ইশোক লাংয়াথেন
শিবু লেমা মশাইকোন
লমলেন খোয়ী কাবা মচিংরেল,
লমলেন মা উত্রাপাংতা শাংপা লৈ।
থুমুবোলদা লৈমরু জনবা,
লৈকংলোন মাপনলোন্দ কাওবা লৈ।
লাইস ইরোনচুংদা পোমনা

ইপাল লাংদা খ্রাংপা কৈ ।
কৈরাং কৈনা তাকনা
কাওরেন থনকোং মানবা কৈ,
কৈরাং মউ তাবনা
লাক্রোল খাইরি থওংনি ।
কৈরাং কৈচু হাঁম্বরগা
খাগী হিংওন মচুনি
কৈরাং ফুগাইশা থাংলগা
নুপাই থথাপ মানবা কৈ ।
কৈরাং কৈরিক তাবনা
খা চোমং মানবা কৈ,
থাজনা নোংলোক হেনবদা
কৈরাং মানা থাংপা কৈ,
শিঙেল কোলোই মিংথৈদি
থরো কৌবী কৈরাংনি ।

খাগী কৈহাও শৈথারোল :—

পোংনিংথৌ থিকথোখা
কৈতৈ নিংথৌ ক্যামবা
নিংথৌ থনি রাথক কৈ,
কাথা নপুং খাইদা থংবা কৈ,
কৈতৈ পোইতৈ লমদা থাংপা কৈ,
কৈরাং মউ তাবনঃ

চুখী লাইরোল মংওংনি,
চয়াই চয়কেল মতৌনি
লৈয়াং পুখুমথদা
নিংতোলগী মকী লংথম মথানি,
লৈয়াংনা ফুগাইনা শাংলগা
লুপাগী পথাপ মওংনি
শিংতেল কোনোম নিংথোনদি
থাগী লৈহাও কৌইদো।

ভথেনৈ শৈথারোল ঃ—

তথেল পুংগাও চীং
আগোরতলা মপুং য়াইদা ওংবা লৈ,
লোইবনাই চিংথং খোম্বা
দোলাই থক্তা পুরকপা লৈ,
মৈতৈ পোইরৈ য়োবদা
খুড়াই হাওরা লমাংদোং
বিষ্ণুপুর লৈমরোন য়োরকপা লৈ,
লৈয়াং লৈথাকপা
থোংজু য়াইয়োকপম মগুয়াং
লৈয়াং কোনোম তৌবা লৈ,
খুমু লৈকন তৌ;
মালেম খেময়ানা,
মাইক খিকলেন চাইখুপা
লৈয়াং মাংখু থাবা লৈ,

মউ ভাবনা
শেনখ্নোই চৈবুন মানবা লৈ,
লৈরাং লৈনা ভাবনা
থাজা নোংদোন মানবা,
অয়ুক পাজন কনবা লৈ,
নুংথিল পাজল শোন্‌বা,
লৈরাং কুপাইনা শাংলপা
লুপা পাথাপ মানবা লৈ,
লৈরাং লৈরিক ভাবনা
সনা শিংখিৎ মানবা লৈ,
লৈরাং কোলোই মখিংদি
নাবা ভবেংগী কোইদো।

কোম্মী রৈপী শৈথারোল :—

শজিবু লাকরেল ভাইবদা
কোংবা লৈথোং কাংপদা
লৈরাং মানা শাংপা লৈ,
লৈরাং মউ ভাবনা
কবো লৈক্রেং মানবা লৈ,
লৈরাংগী লৈরুনা
নোংদোন শংলেন মানবা লৈ,
শিজেন কোনোম মখিংদি
কোম্মীরৈ কৌবা লৈরাংনি।

লৈপাক্লৈগী শৈথারোল—

ইঙা কুমদমলে, ইঙেন কুমথাইরে,
হানৌ লক্তা ঙানবা লৈ,
লৈরাং মমাবু মচানা
হান্না ফাওবা লৈ,
লৈগাং কোলোই মথিংদি
লৈরাং লৈপাকলে কৌইদো।

উ-থম্বালগী শৈথারোল—

মরিং খুবীলোক
মাইবা থরাইলোক্তা শাংপা লৈ,
শরী নামুং পোরবা রাশরবা লৈ,
পাযেল উজাও শকপা লৈ,
লৈরাং কোলোই মমিংদি
উ-থম্বাল হায়না কৌইদো।

স্নারৈগী শৈথারোল—

মরিঙী পান্থোংদা হৌবা লৈ,
পান্থোং ঙাইবা হেনরৈ,
লৈরাং লৈমু ফাবনা
কাইরৈ য়েনখোং মানবা লৈ,
লৈরাং মনা তাবনা
চাখলৌ চাংথরং মমাক্তি;
লৈরাং মানা পোমলিকৈ,

শিলান তোয়না হায়গা
শিলান মপুং কাত্রিদৈ
মকি লাংহুম মানবা লৈ
লৈরাং মানা শাৎলগা,
লৈরাংগী লৈতো য়েংবদি
উচা নহা পাথংগী
পুক্লুং চৈরে নিংথিবা
খেরো চৈরে মানবা লৈ।
লৈরাংগী লৈচু হায়রগা
স্নাগী হিংওন মানবা লৈ,
লৈরাংগী কোলোই মমিংনা
যোইরাংগী অথম তোঙনা
শিঙেল নাপদা থেৎলগা
মিশিগী সুমবল মাইপাকপী
শুমমাইথক্তা মেৎলগা
উথাউ শুক্তি মামিবী
খুরক য়াইদা চনশিনলে,
হুরাগী য়াংলেন্না পোলহাইনা হুজা থিকলেন হুই-
থাপ্পা
হংবুমগী কোলোই শোনবদা
লৈরাং মাবু য়াঙবা লৈ,
শিঙেল ও-নিংথিবী,

মুন্নাগী চৈয়ে ফিনুংদা
মুমিৎ শিংবুম অরেৎনি থম্বদা
লৈরাং খুইরুম চন্দবা লৈ
শিঙেল মরাক চামদবা লৈ,
মুরা অথম ভোমুনা
শিঙেলবু পোরৈ হায়বদে
শিঙেল কোলোই মমিং
স্নারৈ হায়না কৌইদো।

খুজং-লৈ শৈথারোল—

পোইরৈ নিংথৌ অদোনবা
শানৌ মিৎয়েং স্নাগী
থোমলেন মাংথা ফাওবা লৈ।
অমম থরৈ লোক্তা ওংবা লৈ।
বেঙ্গী মুপী বিহোল্লি
শেক্তোই মুপী পোংথিরৈ
ইমুংবা তেক তেক থাংয়ান লৈ
মুমু খুজিন ভয়ামক
ইঙাং ঙাংনা চুবা লৈ।
লৈরাং মানা শাৎপদি
লাংবন থাদা শাৎপা লৈ,
শিঙেল মাগী মমিংদি
কাইনা খুজং লৈ কৌইরো।

কাকলৈ শৈথারোল্—

কাক, মকু, শেখাং, উরোক
উচেক মরিনা পিখা ফমগী বাখোকতৈ
শুরুগী খুমাথা য়োনখি,
শুরুনা পাওহংবিরকখি,
চেক্লা মরি রাকৎতৈ,
পিবা ফমগী বাহৌনি,
শুরুনা বায়েল্লে—
উরোক নংনা করি চেক্লামো?
ত্রেতা যুগকী চেক্লাদ্বি,
রাম সীতাগী উপাই ওইদৈ
পিবা ফমবু পিনোদো,
মহু যাদে তাকপিয়ে।
কাক নংদি করি যুগতা পোকপনো?
পাণ্ডবগী কুরু লান যাওজেদো
ঈশা তোংশা চাজেদো,
কাক নংনা ইবাংদা
ঈ পমা বাহৈনৈ
পিবা ফম্বু যাদেনে রাকোৎঙু,
কাকনা খুম্মী, ননাইনা করি কোজবি,
কাক্কী তোকলেন কোইনা রাকোৎলে,
শয়ী তেজা থক্তা থারে অতিয়া শুরুনা

বর পিবিরে হয়েং কলিদা নিংথৌ পান্নগা
অঙথা শলাইদা থেৎলগা
শলাই মতেং পাংনরো,
বর চৈরোইননা, থারম্বা লৈ,
শিঙেল কোলোই মমিংদি
কাকলৈ হায়না কৌইদো।

চিংথ্রাও শৈথারোল—

অরাং কৌক্রু লোকচিনকোন
হেমবনবু লাল্লুমথুন
হুইরৈ ঙাংবী চিংনুংকোক খোংনেৎনা
থৌহু নান্দবা খুদান্না পামবা লৈরাংনি,
মরোনিদা লোক্রৈবা' মথুন্নিদা খুক্রৈবা
হাওবা খোংজাই নিংথিবা
তোলোং খোঙ্গা কৌবনা
মথুন্তা শিংজং পাইহুনা
উরাইনা হংক্রৈ চনবদা
পামেলনা শিংজা লাংবদা
লৈরাং মাবু য়াওবা লৈ।
লৈরাং লৈউ তাবনা
পামেল উজাও মানবা লৈ,
লৈরাং মানা শাৎলগা
অঙাংবা ঙাংক্রৈ মরক্তা

লুপাগী পাথাপ য়ৈবা লৈ,
লৈরাংগী লৈচু য়েংলগা
হিংঙোল চুদা ভাবা লৈ,
শিংঙেলগী কোলোই মমিংনা
চৌংদগীন্সু ভম্বাই লো,
হাওদগীন্সু ভম্বাই লো,
চৌংগ-হাওগা লোয়্হনা
চিংথ্রাও হায়না কৌবা লৈনিদো।

নোংবান্না লাংবা লৈগী শৈথারোল—

লোইবী চৌংয়া পামশরৈ
সম্মু য়াংগেন তেকচাক লৈ,
কোলোই লোইবী লুংগারৈ
লৈরাং নোংবান কোংয়ালৈ কৌইনে ইনিংথৌ

খম্বনা লাংবা লৈগী শৈথারোল—

লৈমাবা, মমাংঙৈদা শুক্লনা
শনয়োং মানবী ওইহনা ভাওথয়কই
লেম্না মাংবা য়াদবনা
অশংবা মনা-মশিংনা কোইহনা
শুক্ল থক্তা কুপ্পদৈ
শিঙেল শংকুপলৈ কৌই ইনিংথৌ।

থোঙ্গুল মেলৈগী শৈথারোল—

মরিং মুবা চিংগায়ম

হাওবা লাইর পোথাচিং,
লৈম শুম্নু লেম্বীগা
চোথে থাংমাই পাখংবগা
ভরা বাহ্লৌচিংনি,
লোইবী অরাংবা পাম্বী
শয়ী তেঙ্গারক্তা ওংবী লৈ,
লৈরাং মউ ভাবনা
নিঙোল খুবোম মযাল্লি,
শিঙেল মানা পোমলিঙৈ
শমুগী খুনিংথৌ মানবা লৈ,
লৈরাং লৈকা কম্না শাংলগা
কাওরেল নাপ্রমুং মানবা লৈ।
পামেল অরাংবদা লৈরাং,
লৈরাং লৈনা লানা তাই,
মেলৈ লৈম্না কোই চুম্না তাই,
মুংজুমবান মেলৈ লৈম্না মুংজুখান
কাদাম্বা সেরা লৈথুংশি,
নারা থোঙ্গুল মেলৈ কৌইদো ইনিংথৌ।

লশিংগী শৈথারোল—

লোইবী চীংশা নাপোম লৈ,
থৌদু মুঙ্গাই হেয়রৈ,।
লোকচপ লোকমাই খুদিংমা

শিঙেল মানা ঙাম্নৈরে।
নোংমাই হাওবা থুংশেম্নলৈ
মখিংগী পামলোই হেম্নৈরে,
মালং তাম্বা রাওদনা,
তাইবং খোঙেল তাবদা
শিঙেল মদোম হাইবলৈ।
ঐখৈত্তে তম্পাক য়াওংবী
নিংঙোল শিঙ্খা শিন্দম লৈ.
তম্বেং কাইবু লৌমেংনা,
মাঙ্গা মপাও ঙাইনরৈ
থংলেন মাশক ঙাক্লরৈ।
তাইবং পুক্লিং তিম্নদে
মোম্বু বাথল মাম্নদে,
লৈরাং নংনা থংবনা
শিঙেল নংনা উবনা
ঙাংঙু ঙাংবা লৈম্নুংশি,
শংঙু শংবী শিঙেল-ও।
তাইবং পুক্লিং তুং ইমা,
অপাম্বা মচুবু শংলগা,
লমজাই হেন্ন' পুম্নরৈ,
পুন্সিগী লোইন লৈপুম লৈ।
– তাইবংগী পুন্সি খোংথাংদা,

শিঙেল নংগা কাইনবা,
লৈরাং নংনা শেংনবা
ঙমজদবী লৈরাংলেন।
তোর্ব্বান চাংজো মপান্দা
পুন্সিগী শন্দুক মহুংদা
শাংন' য়াত্তা ভম্বদা
শিঙেল মরূপ ওইনলে।
তাইবং পুন্সি ছুশাং শিং,
মোনুগী খোংচং লমশাং শিং,
অমং য়াথোং কুমজ্রি ফাও
পুন্সি লোইন ওইনলে।
হায় লৈরাং লৈমুংশি,
লশিং কোবী শকহেনবী
করম্বা মপুনা শেম্লবা
কল্লকইদকো লৈমুংশি।


লৈরাং লিচৎ শৈথারো—

খোংনম্বী কুণ্ডামৈ শাঙ্গনবী লৈপাকলৈ।
উত্তাংবী য়েরুমৈ মাইথকপী চিগোংলৈ
লৌথিবী কুন্থমৈ কোচি থাংবী চিনিচম্পা।।
ইপাই চাওবী শিঙ্গারৈ নৌজবী মালিকা॥
পেরাওনবী যুবকুসুম খোইচংনবী মোদোলৈ।
মাইকনবী পেক্রলৈ অওলহৈবী সুমিৎলৈ॥
মোহ্লাইনবী নাগেশর পেত্তৎনপী মুজারৈ।
নাপম্বী লৈহাও ইথক কাবী কালৈ॥
পুন্থচেনবী অপ্রাজিতা হাদবী জুথী।
চাং নাইবী বকুল কায়াবী চাওবী মধুমতি॥

লোৎকনবী কেভুকী ইকাইথিবী মাধবী।
ভাংজবী উরিরৈ শাঙনবী কুন্দালৈ অঙাংবী॥
মোঙ্গবী তখেলৈ উইন কনবী প্লারৈ।
তনৌবী থাবলৈ লাইখক থিবী উভোংলৈ॥
লিন্দাওবী ইঙেলৈ লৈরাং রাণী গুলাপলৈ।
বৈষ্ণবী লৈকং থম্বো লমঙাম্বী বাম্বাইলৈ॥
ছুৎ লাওবী মুকাকলৈ পংভৎপী থুকংলৈ।
শয়োম শাংপী খোঙ্নবেলৈ থুংলিংবী কুজলৈ।
ইন্দ্রি শেংবী কবিরৈ মাম্বাম্বী মতৌকলৈ।
পুক্নৌবী চন্দ্রমুখী খঙ্ খোই কনবী খাম্বী লৈহাও
নিংঙাইথিবী জাতি লৈহৌকবী পারিজাৎ ও।
হয়াওজদবা হাওবৈ পেজদবা চিংথ্রাও॥

হৈরাংশিংগী লিচৎ শৈথারোল–

ময়াইফবী হৈ-য়াই জমি চৎপা হৈমি।
শোয়বী শোলোম চিংখোং তাবী হৈম্বিং॥
মরিল থাবী হৈখা মনিংবু তৌবী হৈলিং।
মনাচাবী মোজামহৈ পুক্নৌবী মামহৈ॥
শাম্বাওবী হৈয়ী-হৈজাও, ভাঙজবী চন্দ্রা।
মনম নাইবী হৈজাং হাওজদ কাঙ্গো॥
খেলনবী হৈবোং মঙৌবু চাওবী হৈনো।
[illegible]নানবী হৈয়াঙোই তুনানবী চুথে॥
[illegible] [illegible]খোই শকনবী হৈথুম।
লিম [illegible] [illegible] নাম-মাইদি হৈগ্র॥
[illegible]ইনবী [illegible] [illegible]নাইনবী হৈবোং।
[illegible]বী [illegible] অখোলগী চোরকোল॥
তিনখোগী [illegible] নগকচোবী থুনী।
[illegible] [illegible] শুংকনবী হৈনৌখোম॥
লোইরব।



কোংলকদবা

১। শ্রীমদ্ভাগবত শৈরেং।
(১ম স্কন্দগী দগীদ ১০ম স্কন্দ ফাওবা)

২। শীতৈ (মৈতৈ)।
(মণিপুরগী শক্তাক লাইরিক)।

৩। মালেম অভাংগী সাহিত্য।

৪। রাজস্থানগী অকনবশিং।

৫। পৌরানিক মাচোম।
(অনিশুবা শরুক)

৬। উথমসিং।

লাইরিকসি নম্বদা তেংবাবীরকপশিং—

১। এন কে, সনাজাওবা সিংহ (শিংজমৈ রাংমা) লুপা ৫০·০০
২। এম, মেগচন্দ্র (এম, পি, এস, সি) ,, ৫০·০০
৩। টিএচ, প্রফুল্লো (চৌংথামখক) ,, ৫০·০০
৪। ই, নিলকান্ত (ডিরেক্টর আর্ট এণ্ড কলচরেল) ,, ২০·০০
৫। ডব্লিউ, তোমচৌ (পি, টি, জি, কলেজ) ,, ৪০·০০